# যু এসকী দ্রোন এটেক্তা অফঘানিস্তান, পাকিস্তানগী আই এস আই এস লিদর শিখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৩ ঃ

ইস্লামিক ষ্টেটকী অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিস্টান ব্রাঞ্চকী মকোক অদু যু এসনা অফঘানিষ্টানগী সাউদর্ন প্রোভিন্স অমদা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা হাৎখ্রে হায়না পেন্টাগননা ফোঙদোক্লি। দ্রোন ষ্ট্রাইক্কী মীশি অদুগা লোয়নননা শাথিরবা টেররিষ্ট আউটফিট অদুদা অচৌবা শাফু অমা পীখ্রে হায়রি।

হাফিজ সয়েদ খান অমসুং মহাক্কী সিনিয়র লেফটনেন্টশিং হৌখিবা জুলাই ২৬ তা দ্রোন ষ্ট্রাইকতা শিখি। থৌদোক্তুগী মতাংদা পেন্টাগনগী দেপ্যুটি প্রেস সেক্রেটরি গোর্দন ত্রোব্রীজনা হায়খি, যু এস অমসুং অফঘান স্পেসিয়ল ওপরেসন্সকী ফোর্সেসনা হৌখিবা জুলাই ১ অমসুং ৩০ গী মরক্তা সাউদর্ন নঙ্গারহর প্রোভিন্সতা আই এস আই এলগী মায়োক্তা ওপরেসনশিং পাঙথোকখি।

'মতমদুগী মনুংদা যু এস ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট ইন দ লেভন্ট (আই এস আইএল) গী খোরাসানগী এমির হাফিজ সয়েদ খানদা টার্গেট তৌদুনা এয়রষ্ট্রাইক অমা চথখি। জুলাই ২৬ তা নঙ্গারহর প্রোভিন্সকী অচিন দিষ্ট্রিক্তা চথখিবা দ্রোন এয়রষ্ট্রাইক অদুদা হফিজ সয়েদ খান শিখি' হায়না ত্রোব্রিজনা হায়খি।

খান অসি যু এস অমসুং কোলিসন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চথখিবা এটেকশিংদা হকথেংননা শরুক য়াখিবা মীশক্লি অমসুং মহাক্কী নেটৱার্ককী এক্সনশিংনা অফঘানশিংবু মরু ওইনা নঙ্গারহরদা মীয়ামবু মীপাইবা পোকহনখি।

কুমজা ২০১৫ গী কালেনগী মতমদগী নঙ্গারহর প্রোভিন্স অদু আই এস আই এস-খোরাসন ওপরেসন্স জোন ওইরকখি।

আই এস আই এল-কেনা এরিয়া অদুবু ফাইটরশিং ত্রেন তৌবা খুৎলায় পীবদা শিজিন্নখি। আই এস আই এল-কে কম্মান্দরশিংদা অফঘানিষ্টান শিন-থুংনা প্রোভিন্স অসিদগী য়েক্লবগী ফাইটরশিং লেপ্তুনা সপ্লাই তৌখি।

'খান শিখিবা অসিনা আই এস আই এল-কেগী রিক্রুটমেন্টগী থবকশিংদা অকায়বা পীবগা লোয়নননা অফঘানিষ্টান অমসুং লমদম অদুদা চথরিবা আই এস আই এল-কেগী ওপরেসনশিংদা অকায়বা পীরগনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

মিদ্দল ইষ্টতা বেজ তৌবা ইস্লামিক ষ্টেটপু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা টালিবানগী পাকিষ্টানি ব্রাঞ্চকী হান্নগী মেম্বর খান অসি হৌখিবা চহীদা শিখ্রে হায়না মমাঙদা পাউ ফোংনখিবা লৈখ্রে তৌইগুম্বসু মহাক শিরে হায়বসি কৈদৌনুংদা কনফার্ম তৌখিদে হায়রি।

কোলিসন ফোর্সশিংনা টেররগী মায়োক্তা মখা তানা লাঞ্জং চঙশিনবগা লোয়নননা মহাক্কী মীশি অসি মরু ওইবা অচৌবা টার্গেট খরগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

হৌখিবা মে থাদা পাকিস্টানদা যু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথবদা অফঘান টালিবান লিদর মুলা অখতর মনসৌর শিখিবনি। দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা খানবু হাৎখিবসিনা আই এস আই এসনা মিদ্দল ইষ্টকী টেরটরিদগী হেন্দোক্তুনা অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানবুসু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরক্লিবদুদা অচৌবা চৈথেং অমা নংলগনি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী জন্যুৱারিদগী হৌনা অফঘানিষ্টানগী টালিবান গ্রুপনা আই এসকা তোয়না খুৎ থোক্লখ্রে। লোকেল অমসুং মীরৈবাক্কী মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মরু ওইবা লৈফম অমা ওইরবা লমদম অদুদা টালিবান্না হাই-হুমদুনা পাল্লকপদু আই এসকী মায়কৈদগী লাকপা অচৌবা শিংনবা অমা হন্দক্তা মায়োক্লরকখি।

টালিবানগী কম্মান্দর কয়ানা আই এসপু শৌগৎপা ফোঙদোকখিগা লোয়নননা আই এসনা টালিবানগী ফাইটরশিংবুসু রিক্রুট তৌনবা হোৎনৈ হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলে হায়রি।

# চাইনাদা নোং কন্না চুবদগী টুরিষ্টশিংগী থুংফম ৩৪ থিংজিনখ্রে, মীওই ৭০০০ হেন্না মফম হোংখ্রে



বৈজিং, ওগষ্ট ১৩ ঃ

চাইনাগী মফম খরদা নোং কা হেন্না কন্না চুবদগী লমকোয়বশিংগী থুংফম ৩৪ থিংজিনখ্রে অমসুং মীওই ৭,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা বৈজিংগী অৱাং নোংপোক থংবা চিদাইদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা নোং কন্না চুবদগী ওফিসলশিংনা টুরিষ্টশিংগী থুংফম ৩৪ থিংজিনখ্রে।

মিয়ুন দিষ্ট্রিক্ট কৌবা নোর্থ ইষ্ট বৈজিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ঙরাং মিলিমিটর ২০৮.২ ফাওবা নোং চুবদগী লোকেল ওথোরিটিশিংনা তঙাই ফদনা অকনবা নোংজু অমসুং চীং নিংখায়বনচিংবা জিওলোজিকেল দিজাষ্টরশিংগীদমক রেদ এলার্ট ইস্যু তৌখি।

খুঞ্জা ২,৭০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখি অমসুং পার্সনেল ১৮,০০০ না ঈচাউ লাকশিন্নবা হোৎনবগী থবকশিংদা য়াওশিনখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মখা তানা হৌখিবা অহিংদা নোং লেপ্তুনা চুগানি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা লৈখিবগা লোয়নননা চীংগী লমদমশিং অদুদা ঈচাউ অমসুং জিওলোজিকেল দিজাষ্টর কয়া থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

বৈজিংগী চিদাইদা লৈবা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট অনী পিঙ্গু অমসুং ফাংশনদা নোংলৈ নুংশিৎশিং লাকপা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্টশিং ইস্যু তৌখ্রে।

চাইনাগী কাখল মরিগী ৱেধর ৱার্নিং সিষ্টেম অমা লৈ। অঙাংবনা খ্বাইদগী শাথিবা নোং-চীংগী ফীভম রিপ্রজেন্ট তৌই, মদুগী মতুংদা ওরেঞ্জ, য়েলো অমসুং ব্লু লাকই।

মফমদুদা মথংগী নুমিৎ হুন্নি অসিদা নোংলৈ নুংশিৎশিং শিৎলকপা য়াই হায়না ফোরকাষ্ট তৌবা লৈখ্রে হায়না বৈজিংগী ইমরজেন্সি রেসপোন্স সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

য়ুমথংবা হেবৈ প্রোভিন্সকী শিজিয়াজুৱাং, শিংতাই, বাওদিং অমসুং লাংফাং সিটিশিংদসু নোং কন্না চুখ্রে। শগোলশেল নুমিৎতগী ইরাই ফাওবদা নোং চুবগী চাং চাংচৎতা মিলিমিটর ১৮.৭ ওইখি। মফম খরদদি মিলিমিটর ১০০ হেনখি। সাউথ চাইনাগী গুৱাংদোং প্রোভিন্সসু শগোলশেল নুমিৎতগী নোং কন্না চুরকখি।

প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল গুৱাংজৌগী কোঙ্গুৱা দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখি। লোকেল মিটিওরোলোজিকেল সেন্টরনা হায়খি, প্রোভিন্স অদুগী মিটিওরোলোজিকেল ষ্টেসন ১৮ না ঙরাং নোং চুবগী চাং মিলিমিটর ১০০ দগী ২৫০ ফাওবগী চাং ওইখি হায়না রিপোর্ট তৌখি।

হেয়ুৱান সিটিগী নোংচুৱান কাউন্টিদা চহী ৫০ গী মনুংদা খ্বাইদগী কনবা মওংদা নোং চুখি। মফমদুগী মীওই ৪,৬০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখি হায়রি।

# পাকিষ্টানি-বৃটিশ নুপী হান্নগী মপুরোইবনা হাৎপা ওইরম্লে

লাহোর, ওগষ্ট ১৩ ঃ পাকিষ্টান্দগী হৌখিবী বৃটিশ নুপী অমা হাৎখিবগী মতাংদা চমম্লবা অমা লৈরকপদু মহাকপু মহাক্কী হান্নগী মপুরোইবনা শিয়া কাঙলুপকী মীওই অমদা লুহোংবগীদমক্তা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা সোল্ভ তৌরে হায়না পুলিসনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সামিয়া শহীদ কৌবী মশাগী চহী ২৮ শুরবী নুপী অদু হৌখিবা জুলাই ২০ দা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী জেলম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাংলা এরিয়াদা লৈবা মহাক্কী মমা-মপাগী য়ুমদা (মপামদা) শিদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

'সামিয়াগী হান্নগী মপুরোইবা চৌধরি শকিলনা মহাকপু জুলাই ২০ দা মখৌরি মেৎতুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকচখ্রে। মহাক্না অতোপ্পা কাঙলুপকী মীওই অমদা লুহোংখিবগীদমক্তা শহীদপু নুংঙাইতনা লাকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়না ইনভেষ্টিগেসন অদুদা শরুক য়াখিবা পুলিস ওফিসল অমা ফোঙদোকখি।

মীহাৎ অদু পাঙথোকখিবদা সামিয়াগী মমা-মপাশিংনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বদুসু পুলিসনা থিজিল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

'শকীলনা সামিয়াবু হাৎখিবদু নুপী অসিগী মমা মপানা য়াবগী মওং উই। মখোয়না এক্যুজ অদুবু কন্নবগীদমক্তা মখোয়গী ৱারোলশিংদা ওন্থাং-ওনশিন তৌখিবনি' হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি অমসুং সামিয়াগী মপানা মহাক শিখিবগী মতাংদা তোঙানবা ক্লেইমশিং তৌরিবদু ক্রাইমদু কুপশিন্নবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সামিয়াগী মপা চৌধরি শহীদনা মমাঙদা মহাক্কী মচানুপীদু হার্ট ফেল ওইবদগী শিখিবনি হায়না ক্লেইম তৌখি অমসুং তুংদা মহাক্কী ৱারোল হোংদোক্তুনা মচানুপীদু সুইসাইদ তৌখিবনি হায়না ক্লেইম তৌখি। 'মহাক (শকীল) হাৎপীখ্রবা নুপী অদুগী মপাগা লোয়নননা ফাখি অমসুং মখা তাবা লীগেল প্রোসিদিং লৌখৎলগনি হায়না অতোপ্পা পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি।

লাহোরদগী কিলোমিটর ২৩০ রোম লাপ্পা ধোক পান্দোরি ভিলেজদা লৈবা সামিয়া মপাগী অনাবা হংনবগীদমক্তা হৌখিবা জুলাইগী ময়ায়দা দুবাইদগী পাকিষ্টান্দা লাকখিবনি অমসুং জুলাই ২০ দা হাৎখিবনি।

সামিয়াগী অনীশুবা মপুরোইবা সয়েদ মুখতার কজিমনা পুলিসতা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী নুপীদু মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা মহাক্কী মপা মমাগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা লুহোংখিবগীদমক্তা হাৎখিবনি হায়খ্রিবনি।

# যু থক্লুগা কার থৌরুবগী স্বিদেনগী মিনিষ্টর মফম থাদোক্লগনি

স্টোকহোম, ওগষ্ট ১৩ ঃ

যু গ্লাস অনী থক্লুবদগী ঙাওরগা কার থৌরিঙৈদা ফাবদগী মহাক সেন্টর-লেফট মাইনোরিটি কোলিসনদগী খুদক্তা রিজাইন তৌরগনি হায়না স্বিদেনগী মিনিষ্টর ফোর হায়র এদ্যুকেসননা ফোঙদোকখ্রে।

এইদা হদজিয়ালিসনা থাংজ নুমিৎতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি মদুদি, মহাক শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা স্বিদেনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মালমো সিটিদা কার থৌরিঙৈদা পুলিসনা খামখি। মহাক যু গ্লাস অনী থক্লকখিবগা লোয়নননা মহাক্কী ঈদা য়াওবা অলকহোলগী চাং অদু .০২ ওইরমখি। স্বিদেনদা ঈদা অলকহোলগী চাং .০২ য়াওবসি ইলিগেল ওইবগা লোয়নননা মহাক থা তরুক জেলদা লৈবগী মীয়াৎ অমা মায়োক্লরি। মশাগী চহী ২৯ শুরবী স্বিদেনগী নুপী মিনিষ্টর ওইরিবী হদজিয়ালিসনা ইরাই নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর ষ্টেফন লোফভেনদা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক্তু মহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বনি অমসুং মহাক মফম থাদোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়খি।



বোসনিয়া-হার্শিগোভিনাদা পোকখিবী হদজিয়ালিস হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা লোফভেনগী গভর্ণমেন্টদা য়াওশিনখি অমসুং অহানবা মুস্লিম মিনিষ্টর ওইরকখি। মহাক মশাগী চহী ৫ শুবদা স্বিদেনদা লাকখিবনি। য়ুরোপকী লৈবাকশিং যু থক্লগা নৎত্রগা ঙাওরগা গাড়ি থৌবগী মতাংদা য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওই অমসুং লৈবাকশিং অসিদা পীরিবা ঈদা য়াওবা য়াবা অলকহোলগী লিমিটশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পীরিবা চাংদগী হেন্না নেমই।

# থাইলেন্দগী বোমগী এটেকশিংগী মতুংদা চিংনবা মীওই অনী ফাগৎখ্রে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ১৩ ঃ

থাইলেন্দগী রিজোর্ট টাউন হুৱা হিন অমসুং অতৈ মফমশিংদা বোমগী এটেক কয়া চথবদা মীওই অনী শিখ্রবা মতুংদা পুলিসনা টাউন অদুদগী মীওই ২ ফাগৎখ্রে হায়রি।

মীওই অনী ফাজিন্দুনা থল্লিবদুগী মখা তবা অবুক্পা মরোলশিং পীখিদে। মফম অদুদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা চথখিবা বোম্মিং এটেকশিংদা মীওই ২ শিখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী এটেকশিং অদুদা লম কোয়বশিংগী মরু ওইবা পন্থুং অমা ওইরিবা ফুকেটসু টার্গেট তৌখি।

কনাগুম্বা গ্রুপ অমত্তনা এটেকশিং অদুবু ক্লেইম তৌরকপা লৈতবগা লোয়নননা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংদা চিংনবা মীৎয়েংশিং থল্লকপা য়ানা লৈ হায়রি।

থাই ক্বীনগী বার্থদেগীদমক্তা ইরাই নুমিৎ অসি হোলিদে অমা ওইবা মরমনা এটেকশিং অদুগী টাইমিংদু তরায়না লৌবা য়ারোই হায়রি। শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবা অমসুং ইরাইগী অয়ুক অঙনবফাওবদা চথখিবা এটেকশি অদুদা য়ামদ্রবদা মীরৈবাকমচা ১০ শোকখি। মখোয় তরাগী মনুংদা অহুম্না জর্ম্মনশিংনি, অহুম অমনা ইটালিয়নশিংনি, অমনা ওষ্ট্রিয়ননি অমসুং অহুম অমনা দটচ নেস্নেলশিংনি।

হুৱা হিন অসি কেপিটেল বেঙ্কোক্তগী কিলোমিটর ২০০ (মাইল ১২৫) লাপ্না লৈ, অদুগা ফুকেট প্রোভিন্সনা খরা মখা শাংথনা চৎলগা লৈ। মফম অনীমক অদু ফাংঙাগা লোয়নননা য়েংবদা ফজরবা বীচশিংগীদমক্তা মমিং চৎলি। পুঞ্জায় অমগী মতমগী মনুংদা সুরাট থানিগী পুলিস ষ্টেসনশিংগী মমাঙদা বোম অনী পোকখায়খি।

হুৱা হিনদা অশোক-অপন নংখিবা ইটালিয়ন টুরিষ্ট অমা ওইরিবা এন্দ্রিয়া টাজিওলিনা মহাক্কী হোস্পিটালগী ফমুংদগী এসোসিএটেদ প্রেস ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, মহাক্কা থংননা লেপ্তুনা লৈবা মীওই অমা শিখি অদুনা মহাক লাইবক ফবা অমা ওইহৌখি। 'ঐহাক্না মীওই খরগা লোয়নননা করিগুম্বা অমা থকমিন্নদুনা লৈরম্মী, মখোয় খরদি মশক খঙবশিংনি, খরনা খঙদবশিংনি। খঙহৌদনা অচৌবা অরংবা মৈঙাল অমা খঙউ-উরকখি অমসুং পোকখায়বগী মখোল তাখি' হায়না মহাক্না হায়খি।

'ঐহাক খুদক্তা নঙ্গলদা শোকখি, ঐহাক্কী অকোয়বদা ঈখেং ময়াম উখি। মীশিংনা কোয়লাও লাওনখি, অতৈ খরনা শোকখি। মীওই কয়া চেন্নখি, মীওই কয়ানা কপ্প খি। অতৈ মীওই খরনা ৱান্থখি লোয়নননা করি তৌগদগে খঙদবা অতৈ মীওই খরসু য়াওখি। কনাগুম্বা অমনা ঐঙোন্দা মতেং পাংখি। ঙাইহাক লৈরগা পুলিস থুংলখি অমসুং ঐহাকপু হোস্পিটালদা পুখি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না চিংনবা মীওই খরা ফাজিন্দুনা থল্লে হায়খি। তৌইগুম্বসু মখোয়শিংদু ইন্টরনেসনেল টেররিজমগা মরী লৈনদে হায়খি।

রোয়েল থাই পুলিসকী কর্নেল কিশানা পাটানাচারিওননা হায়খি, অহানবগী ইনভেষ্টিগেসনশিংদা বোম মখল অনী শিজিন্নখি হায়বা খঙলে। বোম মখল অনী অদুদি ফায়র বোমশিং অমসুং আই ঈ দিশিংনি। বোম্মিংশিং অদু লৈবাক অদুগী মখা থংবা শরুক্তা চথখিবা এটেকশিংগা মওং মান্নে।

কেপিটেল বেঙ্কোক্তগী বি বি সিগী জোনাথন হেদনা হায়খি মদুদি, সাউদর্ন রেবেলশিংনা এটেকশিং অদু চথখিবা ওইরবদি, মখোয়গী টেক্টিক্সতা শিংথানিংঙাই ওইনা হোংলে হায়না লৌগনি। থাইলেন্দগী খা থংবা শরুক্তা চহী ১২ কনফ্লিক্ট লৈরকপদুদা মীওই ৬০০০ হেন্না মথ্বায় মাংখ্রে, তৌইগুম্বসু টুরিষ্টশিংদা টার্গেট তৌখিবদি য়াওদে হায়রি।

সাউদর্ন থাইলেন্দগী টুরিষ্ট এরিয়াশিং অমসুং এয়রপোর্টশিংদা সিক্যুরিটিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

# টালিবানননা পাকিষ্টানগী চোপ্পর ক্রু মেম্বরশিং থাদোরক্লে : পাক ওফিসলশিং



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৩ ঃ টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমা লৈবদগী অফঘানিষ্টানদা খঙহৌদনা লৈমায়দা তাশিন্দুনা কায়খিবা পাকিষ্টানগী এম আই-১৭ হেলিকোপ্টরগী ক্রু মেম্বর তরুক অফঘান টালিবান্না হোষ্টেজ ওইনা ফাজিল্লুরবা মতুংদা থাদোরকপদগী থাংজ নুমিৎতা ইস্লামাবাদতা থুংলরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

ৱারোল অমদা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাফিজ জকারিয়ানা হায়খি, পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী হেলিকোপ্টরগী ক্রু অদু মফম অমদগী লৌখৎলবা মতুংদা থাংজ নুমিৎতা ইস্লামাবাদতা থুংলখি।

ফাটাগী পাকিষ্টান-অফঘান বোর্দরদা ইন্টর ত্রাইব এক্সচেঞ্জ অমা চথদুনা ক্রু অদু থাদোরকখিবনি অমসুং মখোয় ফাটাদগী ইস্লামাবাদতা মখা তানা হেলিকোপ্টর অমদা পুরকখি হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ক্রু অদুদা পাকিষ্টানি নেসনেল ৫ অমসুং রসিয়ন টেক্নিসিয়ন অমা য়াওখি। অদুম ওইনমক, মমাঙগী রিপোর্টশিংদদি এয়রক্রাফট অদুদা মীওই তরেৎ তোংখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এম আই-১৭ ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফট অদু হৌখিবা ওগষ্ট ৪ দা মেন্টেনেন্সকীদমক্তা রসিয়া তম্না পাইবদা লোগার প্রোভিন্সকী টালিবানননা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়া অমদা ক্রাস লেন্দিং তৌখিবনি। রেবেলশিংদুনা ক্রু মেম্বরশিং অদুবু হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিনখি।

ওফিসিয়েল অমনা হায়খি মদুদি, মীফাশিংদুবু থাদোকহন্নবা হোৎনবদা লোকেল ত্রাইবেল অহলশিংগী মতেং লৌখি অমসুং মায় পাক্লা নিগোসিয়েসন তৌনরবা মতুংদা টালিবানননা ক্রুদু থাদোকখি।

'ক্রু মেম্বর খুদিংমক কুরম ত্রাইবেল রিজনদা পাকিষ্টানদা শিন্নখি' হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।



HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

## Punjab Subordinate Selection Service Board – PSSSB Recruitment 2016 – 800 Panchayat Secretary Vacancy – Last Date 06 September

Punjab Subordinate Selection Service Board (PSSSB) invites Online Applications for the post of 800 Panchayat Secretary. Apply Online before 06 September 2016.

Advt. No. : 2 of 2016

**Job Details :**

Post Name : Panchayat Secretary
No of Vacancy : 800 Posts
Pay Scale : Rs. 10300-34800/-
Grade Pay : Rs.3200/-

**Eligibility Criteria for PSSSB Recruitment :**

Educational Qualification : Candidates should have Graduate from recognized University OR 10+2 class Passed.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 37 years as on 01.01.2016

Job Location : Punjab

**Application Fee :**
Candidates have to pay Rs. 600/- for General and Rs.150/- for SC/ ST, Rs.100/- for Ex-serviceman Candidates must deposit fee with any branch of State Bank of India (SBI) after 24 hours of submitting application through Challan.

**How to Apply PSSSB Vacancy:**
Candidates must apply online through the website http://www.punjabsssb.gov.in/ from 08.08.2016 to 06.09.2016.

Important Dates to Remember :

Starting Date For Registration Of Online Application : 08.08.2016

Last Date for Submission of Fee : 09.09.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 06.09.2016

Important Links :
Detail Advertisement Link :
http://www.punjabsssb.gov.in/Downloads/2016/Detailed%20advertisement%202%20of%202016.pdf

Apply Online :
https://www.punjabsssb.net/StudentLogin.aspx

## AP Postal Circle Recruitment 2016

Andhra Pradesh Postal Circle invites application for the post of 121 Postman and Mailguard. Apply before 04 September 2016.

**Job Details :**

Post Name : Postman
No. of Vacancy : 85 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-
Post Name : Mailguard
No. of Vacancy : 36 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for AP Postal Circle Recruitment :**

Educational Qualification : 10+2 Standard or 12th class pass from recognised University/Board.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years

Age Relaxation :
SC & ST Category : 5 years
OBC-NCL Category : 3 years

Job Location : Andhra Pradesh

Selection Process : Selection of candidates will be made on Aptitude Test.

**Application Fee :**
Cost of application form Rs.100/- for all categories of applications who have Applying and Examination fee for all male candidates in General, OBC categories is Rs 400/-. Candidates belonging to SC/ST, Ex-Servicemen Women are exempted for payment of Application fee.

**How to Apply :**
Interested candidates may apply online through the website www.appost.in. on or before 04.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission Of Online Application & Fee : 04.09.2016**

## MCGM Recruitment 2016

Municipal Corporation of Greater Mumbai invites application for the posts of 774 Fire Fighter. Walk-in-Selection 19 August to 02 September 2016.

**Job Details :**

Post Name : Fire Fighter
No of Vacancy : 774 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1950/-

**Eligibility Criteria for for BCGM Recruitment:**

Educational Qualification : Candidate should have pased in 12th class in Art/Science/ Commerce Subjects with 50% marks.

Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 25 years As on 01.08.2016

Job Location : Mumbai (Maharashtra)
Selection Process : Selection will be based on Interview.

**How to Apply MCGM Vacancy :**
Interested Candidates may appear for Selection along with prescribed Bio-Data Form with all relevant Documents at the time of Selection.

**Important Dates to Remember :**
Date of Selection : 19.08.2016 to 02.09.2016 at 08.00 AM